**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 16-09-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৬-০৯-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) নোং লেপ্পুনা চুবা অমদি ঈশিং ঈচাউগা মরী লৈননা রাজ্য অসিদা লৈবা স্কুল, কোলেজ অমসুং য়ুনিভির্সিতিশিং ঙসি ছুটি লাউথোকখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা আইনগী মায়োক্তা থবক চত্থরকপা মীওইশিং ফাগৎপগী থবক লেপ্পুনা চত্থরি।

**অমসুং**

৩) গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা এন্তি নার্কোতিক্স তাক্স ফোর্সকী রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী অনিশুবা জাতি থাক্কী মীফম ঙসি নিউ দেল্লিদা হৌদোক্লগনি।

**------**

**ছুটি (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা হৌখিবা নোংম নিনি অসিদা নোং লেপ্পুনা চুবা অমদি ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা য়ুনিভর্সিতি, কোলেজ অমসুং

সরকারগী, এদেদ অমসুং নন-এদেদ লোয়ননা লন্নাইগী স্কুল খুদিংমক ঙসি ছুটি লাউথোকখ্রে।

রাজ্য সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইদ্যুকেসন(এস)না থোকপা চেরোল অমনা হায়-নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ঈমাই ৱাংখৎলকপা অমদি ঈশিং ঈচাউগী ওইরক্লিবা ফিভম লোয়ননা চীংগী জিলাশিংদা চীং নিংখাইবনচিংবা থৌদোক কয়া থোরকপা য়াবনা মরম ওইরগা ঙসি ছুটি লাউথোকখিবনি।

**ঈচাউ (এল)ঃ** মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা পাক শন্না নোং চুখিবদগী মফম খরদা ঈচাউগী অৱাবা ফিভম মায়োকরি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিল তুরেলগী তোর্বান কায়বদগী ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী মনুং চনবা ক্ষেত্রি অৱাং লৈকাই অমসুং মসিগী মনাক নকপদা লৈবা মফম অয়াম্বা ঈশিং থুমজিল্লে। থম্বালখোং অমসুং কোংপালগী মফম খরসু ঈশিং থ্মজিল্লে। মফম অসিগা নকনা লৈবা লৌফম কয়াসু পাক শন্না ঈশিং থুমজিনখ্রে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনসু ইথায় বরাজগা নকনা লৈবা মফম কয়াদা ঈশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলকপদগী পাথোরক্তুনা ঙাগী ফার্ম অমদি লৌফম ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমীনা হায়-বরাজকী অপ এন্দ দাউনগী ঈশিংগী লেভেল ঙসি অয়ুক ফাওবদা মিতর ৭৭০ পোইন্ট জেরো সিক্স ওইদুনা অপ অমদি দাউনদা তুরেলগী ফিবাল ঈমাই চোন্না চেন্থরি। দাউন স্ত্রিমদদি ঈশিংগী ঈরৈ য়ামা কনবনা মীয়াম মীপাইনরে। দাউন স্ত্রিমদা লৈবা লাইখোঙ অমদি ৱাংঙুগী ফিভম শোক্লবা তুরেল মপালশিং ঙরাং অথেংবা অহিং ফাওবদা এম.এল.এ, মফম অদুগী মীয়ামশিং অমসুং লোকেল ভোল্যুন্তিয়র কয়া য়াওনা জে.সি.বি শিজিন্নদুনা তুরেল খোঙবাল শেমজিনবগী থবক চথ্খি।

থৌবাল জিলাদসু ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি। য়ুম, শাৎপা হৌরবা লৌফম কয়া য়াওনা ফার্ম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে, মীয়ামা চথোক চৎশিন তৌনরিবা লম্বী

ঈশিং থুমজিনখিদুনা লম্বী ফাউনদ্রে, মরুওইনা থৌবাল তুরেলগী নাক য়েত্তা লৈরিবা য়াইরিপোক বিষ্ণু নহা, য়াইরিপোক কৈশাম, য়াইরিপোক বামোন লৈকাই, য়াইরিপোক সিংহা, থৌবাল ৱাংখেম, থৌবাল কিয়াম হায়রিবা মফমশিং হৌজিকসু ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈরি। ৱাংজিং তুরেলগী নাক য়েত্তা লৈরিবা মফম অয়াম্বদসু ঈশিং থুমজিনখিদুনা মীয়াম অৱাবা মায়োকরি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শগোলমাং পুলিস স্তেসননা কোনবা কোংবা মরুগী চীংশাং অমসুং মসিগী অকোইবদগী নমদুনা লৌখিবনি হায়বা খূৎলাই ৪ ফংবা ঙমখ্রে। খূৎলাইশিং অদুদি-মেগজিন য়াওবা ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্স এম এম ইন্সাস রাইফল ১, মেগজিনগা লোয়ননা নাইন এম এম পিষ্টোল ১, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল ২, তুয়েল্ব বোর শিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ১, নোংমৈ মরু ১১ অমসুং লাইভ কার্ত্রিদজ ৫ নি।

অমরোমদা, কিহন খঙহন্দুনা শেল খাইবা অমসুং আইননা য়াদবা থবক থৌরমশিং চত্থবা মীওই ফাগৎপগী থবকসু লেপ্তুনা চত্থরি। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা কৈরাও বিত্র অৱাং লৈকাইদগী এন আর এফ এমগী মীওই ১ ফাগৎখি। ফাগৎলবা মীওই অসিগা মরী লৈনবনি হায়বা অতোপ্পা মীওই ২ সু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শিংজমৈ ৱাংম ক্ষেত্রি লৈকাইদগী ফাগৎখি। মখোয় কিহন খঙহন্দুনা মীচম মীয়ামদগী শেন খাইবদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। মখোয়দগী মেগজিনগা লোয়ননা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল ১ অমসুং মরু ৩, মোবাইল ফোন ৪ গা লোয়ননা আধার কার্দ ১ ফংখি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ইম্ফাল তুরেলদা অশিবা হকচাং ওইনা তাউথরক্তুনা ময়াং ইম্ফালদগী ফংখিবা লিলোং তাইরেন মখোঙদগী এম দি

রিজৱান খানগী মীশিগা মরী লৈননা মণিপুর পুলিসকী কাংবুনা ঙরাং থৌবাল জিলাগী লিলোং লৈহাউখোঙদগী মীওই ১ ফাগৎখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** রেজিং এন্দ এক্সিলরেতিং এম.এস.এম.ঈ পর্ফোমেন্স স্কিমগী মখাদা মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবা লিক, কোন অমসুং লৈতেংগী পোৎলমশিং শেমবা শাবগী মতাংদা নুমিৎ হুমি চঃথগদবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙরাং চান্দেলগী পঞ্চাইদা লৈবা মহা এরিয়া চিফ এসোসিয়েসনগী হোলদা হৌদোকখ্রে। থৌরম অসি দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসর চান্দেলনা শিনবনি। থৌরম অদুদা পুন্না ত্রেনি ৪৩ না শরুক য়াখি।

**ককচিং (এল)ঃ** ‘স্ত্রেস মেনেজমেন্ট অমসুং সুইসাইট প্রিভেন্সন’গী মতাংদা ককচিং জিলাগী পুলিস পর্সনেলশিংগী নোংমগী ওইবা অখন্নবা থৌরম অমা ঙরাং ককচিং চুমাং লৈকাইদা লৈবা রিপ্রজেন্তেতিভস ওফ লোইস (আর.ও.এল) ককচিংগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ককচিং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেন্তেল হেলথ প্রোগ্রাম, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা পুন্না খূৎশমনা শিনবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা চিফ মেদিকেল ওফিসর ডা.থাওদেম রাজেননা ঈশা ইতোমতা শিজবা অমদি মসিদগী ঐখোয়না মতৌ করমা ঙাকথোক্কনি অমসুং কনাগুম্বা মীওই অমনা মশানা মশাবু শিজগে খল্লকপা মতমদা মীশক অদুবু মতৌ করমা কনগনি হায়বসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা, জিলা অসিগী পুলিস পর্সনেল ১০০ রোমনা শরুক য়াখি।

**শাহঃ** গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা এন্তি নার্কোতিক্স তাস্ক ফোর্সকী রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী মকোক থোংবশিংগী অনিশুবা জাতি থাক্কী মীফম ঙসি নিউ দেল্লিদা হৌদোক্লগনি । নুমিৎ নিনি চঃথগদবা মীফম অসিনা প্রধান মন্ত্রি

নরেন্দ্র মোদিগী দ্রগ ফ্রি ইন্দিয়াগী ৱাখল্লোন মাই পাকহনবা অমসুং মসিবু মাই পাকবা হোৎনবদা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা অচৌবা ফম্বাক অমা পীরগনি। নার্কোতিক্স কন্ত্রোল ব্যুরোনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিগী হীরমদি- 'য়ুনাইতেদ রিজোলভ, সেয়রদ রেসপোন্সিবিলিতি' হায়বসিনি। মীফম অসিদা লৈবাক অসিদা দ্রগ থিংনবা হোৎনবদা তোঙান তোঙানবা স্তেক হোল্ডরশিংনা পায়খৎলিবা থবকশিং কুপা য়েংশিন্দুনা খন্নরবা মতুং তুংদা করম করম্বা থবক লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদসু খন্নগনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা ইং ২০২৪গী নার্কোতিক্স কন্ত্রোল ব্যুরোগী ওইবা চহীগী রিপোর্টসু থাদোক্কনি। মসিগা লোয়ননা দ্রগ দিসপোজেল কেম্পেইনসু ওনলাইনগী খূত্থাংদা হৌদোক্কনি। থৌরম অসিদা রাজ্য ৩৬ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী এন্তি নার্কোতিক্স তাক্স ফোর্সকী মকোক থোংবশিং, তোঙান তোঙানবা সরকারগী স্তেক হোল্ডরশিং শরুক য়াগনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা শরুক য়াদুনা নুমিৎ হুমি চত্থগদবা কম্বাইন কম্মান্দর্স কনফরেন্স (সি.সি.সি) ২০২৫ ঙরাং কোলকতাদা লৈবা ভারত লান্মীগী ইস্তর্ণ কম্মান্দ হেদ ক্বাতর্স ভিজে দর্গতা হৌদোকখ্রে। মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা ওপরেসন সিন্দুরদা ভারত লান্মীশিংনা উৎখিবা থৌনা অমদি অফবা সমাজ অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং কয়া অসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা তুংগী ভারত লান্মীশিংনা মতম পুম্বদা শেম শাদুনা লৈনবগা মরী লৈননা ইন্দিয়ন আর্ম ফোর্সেস ভিজন ২০৪৭ দোক্যুমেন্তরি হাংদোকখি। চহী অসিগী সি.সি.সি মীফমগী হীরমদি-'ইয়র ওফ রিফোর্মস-ত্রান্সফোর্মেসন ফোর দ ফ্যুচর' হায়বসিনি। মীফম অদুদা ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ, ঙাকশেলগী রাজ্য মন্ত্রি শঞ্জে সেথ, নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর অজিৎ দোবাল য়াওনা অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়ানা শরুক য়াখি।

**জি.এস.টি ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-মহাক্কী সরকার অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগীদমক জি.এস.টিগী চাং হন্থহল্লে অমসুং মসি নাভরাত্রি কুম্মৈ হৌবা নুমিৎ থা অসিগী ২২ দগী হৌনা চৎনবা হৌরগনি।

বিহারদা লূপা কোতি লিশিং ৪০ রোমগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরগীনা শঙ্গাবা অমসুং খরগীনা যাত্রা হুল্লবা মতুং পুর্নিয়াদা লৈবা সিসা বরি মাইদানদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী মমল হন্থরকপা অসিনা য়াল্লবা ইমুং কয়াদা চাউনা কান্নবা পীরগনি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মহাক্কী এন.দি.এ সরকার অসিনা বিহার, নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং অসামবু মীতোপশিংগী কন্নবদা মীৎয়েং থমদুনা থবক কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

নোং লেপ্তুনা চুবদগী রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাউগী অৱাবা মায়োকবা, চুরাচান্দপুরদা মীয়ামা কুকি লুচিংবশিংগী ময়ুম মৈ থাদুনা এক্তেক্ট তৌখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোঙনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

কে.এন.ওগী এক্সতর্নেল এফিয়র্স সেক্রেটরিগী য়ুম মৈ থাখ্রে, ইম্ফাল দিমাপুর লম্বগী মতাংদা চয়েৎনবা লৈরি, হায়নিং হায়নিংবা হায়নরি হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক পোকফম অমসুং গানফিউ মেল পাউচেশিংদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইরিল তুরেল পাথোরকপদগী য়ুম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে, মীওই অমা

তাউথখ্রে, লমদম অসিদা ঈচাউ মায়োকরিবসি ওথোরোতিনা থৌশাদবদগীনি হায়না এম.এল.এ নুরুল হাসননা থমখিবা ৱাফম সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক- পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট অসিগী মফম খরদা ঙসি ফাওবা নোং চুখিগনি, ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইরগা স্কুল, কোলেজশিং ঙসি ছুটি লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সেপ্তেম্বর ৪, ২০২৫ দা চহী ১ শাংদোকহনখিবা সূ গী গ্রাউন্দ রুল চুরাচান্দপুরদা কে.এন.ওনা থুগাইবা হৌরে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

মৈতৈ কাংলুপকী মীওইশিংগা য়ানবা পুরক্ত্রিবমখৈ নেসনেল হাইৱে টু হাংদোক্লোইদবনি হায়বা কুকি জো কাউন্সিলগী ৱাফম মোর্নিং বেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

জস্তিস এম সুন্দরনা চিফ জস্তিস ওইনা ৱাশক লৌখিবগী পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউ অসিমক- তামেংলোং তাইমসকীনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নুপীশিংগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমসুং মখোয়গী শাফনবগীদমক পাল্লিবা সরকার অসিনা থবক কয়া পায়খৎলি হায়না রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লানা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী ফাউন্দেসন ডেগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- পিপলস ক্রোনিকলগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা-সেনাপতি জিলাগা শমহল্লিবা রাজ্য অসিগী

মরুওইবা হাইরেশিংদা চীং নিংখাইবগী থৌদোকশিং থোকপদগী লম্বী চথোক চৎশিন তৌবা য়াহনখিদ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**